# মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা চেন্নাই সুপর কিংসপু ৱিকেট ১০দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে



সর্জা, ওক্টোবর ২৩(এজেন্সী):
ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি সর্জাদা লৈবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ অসিগী ৪১শুবা মেচতা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা চেন্নাই সুপর কিংসপু য়াম্না হেনবা মওংদা ৱিকেট ১০দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুগী টোস মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী বোলরশিংনা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা চেন্নাই সুপর কিংসকী বেটচমেনশিং অদুবু রন য়াম্না লৌহনবা ঙমখিদে।

টিম অদুগী বোলর ন্যু জিলেন্দ মচা ট্রেন্ট বোল্টনা অপীবা ওভর ৪ লংবদা শুপ্পগী রন ১৮খকপীরগা বেটচমেন ৪ আউট তাহন্দুনা চথরিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ফজবা বোলর অমা ওইবা ঙমখি। মহাক্তা নৎতনা অতোপ্পা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী বোলর জস্প্রিট বুমরা অমসুং রাহুল চাহরসু ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি।

চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী মকোক থোংবা বেটচমেনশিং ফজবা ঙমদনা লাকখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী বেটচমেন মরি আউট ওইরকপদা স্কোর বোর্দতা রন ৩খক লৈ। টিম অদুগী তরেৎশুবা বেটচমেন শামকুরননা বোল ৪৭ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫২ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। রন ১১৪ য়ৌরকপদা টিম অদুগী ইন্নিংস লোইশিনখি।

মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক্তা রন ১১৫ লৌবগী টার্গেট লৈখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর ক্বিনটোন দি কোক অমসুং ইসান কিষননা চেন্নাই সুপর কিংসকী বোলরশিং অদুবু হৌবদগী প্রেসর লৈতনা মায়োক্লদুনা শান্নবা ঙমখি।

মখোয় অনীনা আউট ওইদনা ইন্নিংস অদুগী ১৩শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা আউট ওইদনা মথংশিংনা দি কোকনা রন ৪৬ অমসুং কিষননা রন ৬৮ লৌরগা রন ১১৬ লৌদুনা মেচ অদু ৱিকেট ১০দা থোইখি। দি কোকনা বোল ৩৭ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরমখি। অদুগা ইসান কিষননা বোল ৩৭ মায়োক্লবদা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৬ য়ৈখি।

হয়েং কে কে আর অমসুং দিল্লি কেপিটেলস শান্নগনি। অদুগা ২শুবদা পঞ্জাব অমসুং হায়দরবাদ থেংনগনি।

# লেষ্টর সিটি, অর্সনেল অমসুং টোটেনহাম হোটস্পর য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ মেচকী অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে



লন্দন, ওক্টোবর ২৩(এজেন্সী):
য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা চেম্পিয়ন্স লীগকী হেক মথংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা চেম্পিয়ন্স লীগকী গ্রুপ মেচকী অহানবা রাউন্দগী মেচশিংদা ইংলেন্দগী ক্লব লেষ্টর সিটি, অর্সনেল অমসুং টোটেনহাম হোটস্পর মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ জি গী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব লেষ্টর সিটিনা য়ূক্রেনগী ক্লব জোরয়া লুহান্সপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী জেমস মেদিসিননা ২৯শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা ৪৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী হার্ভি বার্ন্সনা চনখি। অদুগা মেচ অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা ৬৭শুবা মিনটতা লেষ্টর সিটিগী কেলিচিনা চনখি।

য়ুরোপা লীগ অসিগী ঙরাং তোঙান-তোঙানবা য়ুরোপকী মফমশিংদা শান্নখিবা মেচশিংগী মনুংদা গ্রুপ বিগী ওইনা ইংলেন্দগী অতোপ্পা ক্লব অর্সনেলনা ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব রেপিদ ৱেনগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকপা ঙমখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী শান্নরকপা অহানবা পাঞ্জল অদু রেপিদ ৱেনসকী মায়কৈদগী ফোন্টাজনা ৫১শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। ইক্কেলাইজর অদু অর্সনেলগী মায়কৈদগী দেবিদ লুইজনা ৭০শুবা মিনটতা চনখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং অর্সনেলগী মায়কৈদগী ওবামেয়াংনা ৭৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা ২-১দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ জেদা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পর অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব এল এ এস কেগা লম্বা তৌনবদা হোটস্পরনা পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি। মেচ অদুগী হৌরকপা ১৮শুবা মিনটতা হোটস্পরগী মায়কৈদগী মোরানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মখা তাবা টিম অনীগী লম্বদা হোটস্পরগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমদা এল এ এস কেগী দিফেন্দর অমগী মায়কৈদগী শোয়দুনা থৎচিনখিবা বোল অমনা হোটস্পরগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ২৭শুবা মিনটতা ফংখি। অহানবা হাফতা হোটস্পরনা এল এ এস কেবু ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদু কান্নবা ফংদনা লৈখি। ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা চনখিবা পাঞ্জল ২গী মখা তাবা ঙমদনা লৈরকখি। মেচকী ৮৪শুবা মিনটতা হোটস্পরগী মায়কৈদগী কোরিয়া মচা সোননা পাঞ্জল অমা চনশিল্লগা টিম অদুনা এল এ এস কেবু ৩-০দা থোইখি। জর্মনিগী লেবরকুসেননা গ্রুপ সীদা ইটলিগী নিসপু পাঞ্জল ৬-২দা থোইখি।

# পটেলনা লুচিংলগা এ আই এফ এফ এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফম ভি সীগী খূত্থাংদা পাঙথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৩(এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)গী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা চ্যেরমেন ওইদুনা ঙরাং অথেংবদা ফেদরেসন অসিগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফম অমা ভিদিও কনফরেন্সিং (ভি সী)গী খূত্থাংদা পাঙথোকখ্রে।

ভর্চ্যুএল মীফম অদুদা প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী এদমিনিষ্ট্রেসননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লৈরিঙৈ মনুং অসিদা লৌখৎলক্লিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী ওইবা থবক থৌরমশিং অদুগী ফজবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হিরো আই লীগ ক্বালিফায়র টুর্নামেন্ট মপূং ফানা লোইশিনখিবা অদুগীসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট মথংথাগী ২০দগী গোৱানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুগীদমক্তসু অফবা ৱাখল্লোন অমদি থৌনা পীখি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা ভর্চ্যুএল মীফম অদুদা এ আই এফ এফকী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট সুব্রাটা দত্ত অমসুং মনবেন্দ্র সিংহ, লারসিংমিং অমসুং কে এম আই মাথর য়াওনা ফেদরেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাস অমদি অতোপ্পা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

ভর্চ্যুএল মীফম অদুদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী কম্মিটিনা লৈখিদ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমা ওইরম্বা মণিপুর মচা লাইশ্রম মনিতোম্বী, অতোপ্পা লৈখিদ্রবা মহমদ শামসুদ্দিন, চার্লতোন চেপমেন, এস এস ৱাসিম অমদি কর্নাটাকা ষ্টেট ফুটবোল এসোসিএসনগী গভর্নিং বোর্দকী মেম্বর অমা ওইরম্বা এম মোহনরাজকী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎতুনা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মফমদা মিনট ২ তুমিন্না লৈদুনা মখোয়গী থৱায় মিরেলনা মপূগী মফমদা ঈংনা-চিক্লা লৈনবা থৌনীখি।

মীফম অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, হন্দক্তা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা নৌনা শরুক য়াবা ঙম্লক্লবা কোলকাটাগী মহমদন স্পোর্টিং ক্লবপু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা তরাম্না ওকপগী ৱাফম ফোঙদোকখি। কাঙলোনগী মতুংইন্না মমাংগী হিরো আই লীগকী টিম অনী ওইরম্বা ইষ্ট বেঙ্গল স্পোন্সর ফংবদগী অমদি মোহন বগাননা এ টি কেগা পূনশিনখিবনা হাঙহৌবা আই লীগকী স্পোট অদু মেনশিনবদা ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগা মহমদন স্পোর্টিংনা নৌনা চঙলকপা অদু থাগৎখি।

# ইংলেন্দগী ক্রিকেটরশিংনা কোভিদ-১৯ লাইচৎকা মরী লৈননা তোলোপ হন্থবদা য়ানখ্রে

লন্দন, ওক্টোবর ২৩(এজেন্সী):
চহী অসিগী মার্চ থাদগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মালেম শীনবা থুংনা শান্নবগী হীরম খূদিংমক্তা চাওনা অপনবা পীদুনা লাকখিবা অদুগা মরী লৈননা ইংলেন্দগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী মখোয়না মমাংদা ফংলম্বা তোলোপশিং অদু লাইচৎ অসিগী য়েংলগা হন্থবদা অয়াবা পীখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী ক্রিকেট বোর্দকী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

ইংলেন্দগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী ওইবা চহী ১দা থা খূদিংগী ফংদুনা লাকপা তোলোপ অদু চাদা ১৫ কক্থবদা য়ানরে হায়না ইংলিশ ক্রিকেট বোর্দকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপনি। হায়রিবা তোলোপ চাদা ১৫ হন্থবগী য়ানবা অদু চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর ১দগী হৌগদৌরিবনি।

ইংলেন্দগী ক্রিকেট বোর্দকী মেনেজিং দিরেক্টর ওইরিবা এস্লি গাইলসনা ফোঙদোরকখিবদা শান্নরোয়শিং অসিবু মশক খঙদবা য়াদে। অদুবু মখোয়না মখোয়গী মায়কৈদগী লৈবাক অদুদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অদুদা মতেং পাংবা ওইনা থাগী তোলোপ্তুগী চাদা ১৫ হন্থবদা অয়াবা পীরকপা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি হায়খি।

ইংলিশ ক্রিকেট বোর্দনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা প্রোফেসনেল ক্রিকেট মেচশিং শান্নবা য়াখিদ্রবা অদুনা মরম ওইরগা য়ামদ্রবদা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১৩০.৮০গী শেনফম মাঙদুনা লৈরিবনি। হায়রিবা শেনফমশিং অসি ফুগৎনবা হোৎনবদা তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা লৈবাক অদুগী ক্রিকেট বোর্দনা য়েংশিনবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংগী মতেং লৌরকপনি।

# ফ্রেঞ্চ ওপন চেম্পিয়ন রফেল নদালনা চহী অমগী মতুংদা শান্নবদগী পোত্থাবগী ৱাফম ফোঙদোরক্লি

মাদ্রিদ, ওক্টোবর ২৩(এজেন্সী):
মালেমগী টেনিস শান্নরোয়শিংগী মনুংদা গ্রান্দস্লাম টাইটল লৌবদা রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবা স্পেনগী শান্নরোয় রফেল নদালনা মহাক্কী করিয়র অদু চহী অমগী মতুংদা মখা তানা শান্নবা ঙম্লোইদবগী ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

হন্দক্তা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচপু মায়থীবা পীদুনা টেনিস মশান্নগী ওইনা নুপাগী সিঙ্গলসকী শান্নরোয় অমনা গ্রান্দস্লাম টাইটল লৌবগী রেকোর্দতা স্বিজরলেন্দগী শান্নরোয় রোজর ফেদররনা থল্লম্বা টাইটল ২০ অদুগা চপ মান্ননা মহাকসু থমদুনা মান্নবা ঙম্লিবনি।

নদালনা ঙরাং স্পোর্টস এজেন্সী অমগা ৱারী শানবদা মহাক্কী মশান্না অদু চহী অমগী মতুংদা করি লাক্কদগে হায়বদু খঙদে। অদুনা পোত্থাবা য়াবগী মতম নকশিল্লক্লে হায়খি।



টেনিস মশান্নগী ওইনা কোর্ট অসি মখল অহুম থোক্লা লৈরিবসি শান্নরোয় খূদিংমক্লা শান্ননিংবা য়াওরিবনি। মদুদা গ্রাস কোর্ট, ক্লে কোর্ট অমসুং হার্দ কোর্ট হায়না অহুম থোক্লা লৈরি। মসিগী মনুংদা ক্লে কোর্টকী ওইনদি স্পেনগী শান্নরোয় রফেল নদালনা থল্লিবা রেকোর্দ অসি অতোপ্পা শান্নরোয় অমনা নৌহৌননা লমজেল তান্নরকপদা অৱাবা অমা ওইবগী ফীভমদা লৈরি। ক্লে কোর্টতা নদালবু মশান্না অসিগী অখঙ-অহৈ অমদি শান্নবসু পামজবা মীয়াম্না 'ক্লে কোর্ট কিং' হায়না মিংথোন পীবা য়াওখ্রবনি।

নদালনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, তোঙান-তোঙানবা টেনিস মশান্নগী টুর্নামেন্টশিংদা মহাক্কী মায়কৈদগী মপূং ফানা শেম শাবা ঙমদুনা লৈরবদি মহাক্লা মখা তারকপা মতমশিংদা শান্নবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদু লৈগনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা মহাক্কী করিয়র অদু শাংদোকপা পামদবগী ৱাখল ফাওরি হায়খি।

# এ আই এফ এফনা য়ু-২০ লীগ পাঙথোক্লবা থবক লৌখৎলি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৩(এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী হৌজিক-হৌজিক লৈবাক অসিগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিং অমদি ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী অফবা টিম শেমদুনা মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিফা অমদি এসিয়াগী এ এফ সীগী কাঙলোনগী মতুংইন্না পাঙাথোক্লিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ অমসুং আই লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তারকপদা চহী ২০ মখাগী লীগ টুর্নামেন্ট অমা পাঙাথোক্লবা শেম শারি।

এ আই এফ এফকী সী ঈ ও ওইরিবা সুনন্দো ধরনা ফোঙদোকখিবদা চহী অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা অপনবা কয়া পীখ্রবা মতুং ফুটবোলগী লম্দা আই লীগ ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট অমা কোলকাটাদা অশোয়-অঙাম য়াওদনা পাঙথোকখিবা অদুনা অচৌবা থৌনা পীবগা লোয়ননা মখা তারকপদা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংবু অহেনবা খূদোংচাবা পীনবগীদমক্তা চহী ২০ মখাগী লীগ টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্লনবা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

# এসিয়ন ওনলাইন টিম চেছ চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৩(এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী অসিগী মার্চ থাগী ময়াই চল্লকপদগী শান্নবগী হীরম খূদিংমক লেপ্তুনা লৈরবা মতুং তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মখাদা দিসিপ্লিন খরা শান্নবা হৌরকখিবগা লোয়ননা চেছ মশান্নগী ওইনদি ওনলাইনদা লোকদাউন লৈরিঙৈদগী টুর্নামেন্ট কয়া অমা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মদুগী মনুং চন্না এসিয়ন নেসন্স (রিজন্স) ওনলাইন কপ চেছ টুর্নামেন্টদা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম অনীমক সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ওনলাইনদা পাঙথোকপা এসিয়ন নেসন্স (রিজন্স) ওনলাইন কপ ২০২০ চেম্পিয়নশিপ অদুগী নুপীগী টিম কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কির্গিষ্টানগা ৮শুবা রাউন্দদা য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৩.৫-০.৫দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।





ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অদুনা থাংজ নুমীৎতা এসিয়ন নেসন্স (রিজন্স) ওনলাইন কপ চেছ চেম্পিয়নশিপ ২০২০গী সেমীফাইনেলদা মোঙ্গোলিয়াগী টিমগা ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী চেছ টিম অদুনা ক্বাটর ফাইনেলদা কির্গিষ্টানগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা গ্রান্দমাষ্টর আর ভৈশালি, পদ্মীনি ৱাৱট অমসুং পি ভি নন্দিধানা মখোয়-মখোয়গী মেচশিং অদু মায় পাকপা ঙমখি। মখোয়গী ফজবা অদুনা কির্গিষ্টানগী শান্নরোয়শিং অদুবু নমথরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মোঙ্গোলিয়াগী টিমগা লম্বা তৌনখি। ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা লম্বাদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর নিহাস সরিন মোঙ্গোলিয়াগী শান্নরোয় অমরতুবসিনগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি। মেচ অমা শোত্থরবা ইন্দিয়াগী টিমগী মায়কৈদগী মখা তানা শান্নরকখিবা মেচ অনীদা এস পি সেথুরামন অমসুং সশিকিরননা মখোয়-মখোয়গী মেচশিং অদু মায় পাক্তুনা ফজবা ঙমহনখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় এস পি সেথুরামননা মোঙ্গোলিয়াগী শান্নরোয় সেমেদ বটচুলুনবু থোইবা ঙমখি। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সশিকিরননা মোঙ্গোলিয়াগী সুগর গন অর্দেনবু মেচ ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুরিয়া সেখর গঙ্গুলিনা মোঙ্গোলিয়াগী সুনিয়া বিলগুনগা দ্রো চৎখি।

মখা তারকপা টুর্নামেন্ট অদুগী মেচশিংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বি অদিবননা মোঙ্গোলিয়াগী গাঞ্জোরিকপু থোইখি। অদুগা নিহাল সরিননা মহাক্কী অনীশুবা মেচতা সুমিয়াবু থোইরবা মতুং সশিকিরননা অর্দেনগা দ্রো চৎতুনা মেচ অদু ইন্দিয়ানা মায় পাকপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তারকপা গ্রুপ মেচশিংগী মকোক থোংদুনা লৈরিবা টিমশিংনা থা অসিগী ২৫দা অরোইবা রাউন্দগী মেচশিং অদু শান্নরগনি।

# ইটলিগী সিনরনা ফ্রান্সকী সাইমন মায়থীবা পীদুনা কোলোন টেনিস চেম্পিয়নশিপকী সেমীফাইনেল চঙখ্রে

কোলোন, ওক্টোবর ২৩(এজেন্সী):
ইটলিগী জানিক সিনরনা জর্মনিগী সিটি কোলোনদা লৈবা লানজেস এরেনাদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা কোলোন টেনিস চেম্পিয়নশিপকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ফ্রান্সকী গাইলস সাইমনবু মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা ইটলিগী সিনর অমদি ফ্রান্সকী সাইমন অকনবা লম্বা থেংনখি। অহানবা সেট ইটলিগী শান্নরোয় অদুনা ফ্রান্সকী শান্নরোয় অদুবু গেম ৬-৩দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাবা ঙমখি। মদুগী মতুংদা শান্নরোয় অনীনা শান্নখিবা অনীশুবা সেট অদু ফ্রান্সকী গাইলস সাইমননা য়াম্না ফজবা হেন্দুনা ইটলিগী সিনরগী সর্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-০দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নরকপদগী দিসাইদিং সেটকীদমক শেম শানখি।

দিসাইদিং সেট অদুদা ইটলিগী জানিক সিনরনা ফ্রান্সকী গাইলস সাইমনগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহানবা ওইনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি অথেংবদা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা অর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্চমেন অমসুং স্পেনগী দাবিদোবিচ ফোকিনানা লম্বা তৌনদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌনবা লাম্থেংনগনি।



HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)



HL/B/6352/4/9-2/11
HL-B/6409/27th Sept. to 26th Oct.




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com